# তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফি ঃ সেক্তা (বি) সেক্তা অমদি য়ৌরবুং এফ সি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুন ৫ (এস এন এস) ঃ
ইষ্ট্রন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা ই য়ু এস সিগী গ্রাউন্দা মমাঙ থাগী ১৯ দগী টিম ৩১ না গ্রুপ– ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ১৪ শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি লন্নাই অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজ ৰাইজ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা সেক্তা (বি) সেক্তা অমদি য়ৌরবুং এফ সি মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্টকী ৪৮ শুবা মেটচ ওসনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা সেক্তা (বি) সেক্তা অমদি এন কে এফ সি নোংঙদা কামেংনা শান্নখিবা ৩শুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সেক্তা (বি) না এন কে এফ সি নোংঙাদা কমেংবু য়াম লাকচন্না গোল ৭–২ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী হেক হৌরকপা মিনট ১ চৎপদা সেক্তা (বি) গী জর্সি নম্বর ৪ নাওবনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৪ কান্নরগা মিনট ৫ দা জর্সি নম্বর ৯ রান্ধননা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অহানবা গোল চনখিবা নাওবনা মহাক্কী ২শুবা গোল ওইনা টিমগী ৩শুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু সেক্তা (বি)না অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরক্তুনা মেটচকী মিনট ১৮ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ থোইনা টিমগী ৪ শুবা অদুগা রান্ধননা মিনট ২৫ চৎপদা ৫শুবা গোল চন্দুনা ৫–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা এন কে এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৬ জেমসনা অহানবা হাল্ফকী লোয়রমদাই মিনট ২৮ দা গোল হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা সেক্তা (বি)না ৫–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা সেকতা (বি)গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ বিশ্বরজিৎনা মিনট ৩৭ অদুগা জর্সি নম্বর ৯ রান্ধননা মিনট ৩৯ চৎপদা চনদুনা ৭–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। এন কে এফ সিগী জেমসননা মিনট ৪০ চৎপদা গোল হন্দোখ্রবসু মেটচ অসি ৭–২ দা মায়থিবা নংখি।

৪৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ২শুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা টুর্নামেন্টগী ৫শুবা প্রি–ক্বর্টের ফাইনেল মেটচতা য়োরবুং এফ সিনা এস সি ৰাই য়ুম্নাম খুনৌবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা য়োরবুং এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ লৈশেম্বনা মিনট ১৪ অমদি ৩২ চৎপদা চনখি। অদুগা মায়থিরবা এস সি ৰাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৪ রোমিনা মিনট ৩৫ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা য়োরবুং এফ সিগী লৈশেম্বা অমদি এস সি ৰাইগী প্রিটমদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# টি কে দব্লিউ এ ট্রোফি ঃ ও এফ এ পূঙদোংবম অমদি শম্ফাবী এফ সি সাপম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল,জুন ৫ (এস এন এস) ঃ
তেন্থা খোঙবান ৱেল ফিয়ার এসোসিয়েসন (টি কে দব্লিউ এল) তেন্থা খোঙবাননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১২ দগী মল্টিপেক্স গ্রাউন্দা তেন্থাদা টিম ৩৩ না গ্রুপ–১১ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা টি কে দব্লিউ এ ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ও এফ এ পূঙদোংবম অমদি শম্ফাবী এফ সি সাপম মায় পাক্তুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা ও এফ এ পূঙদোংবম অমদি সুরমা এফ সি ৰাংজিংনা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ও এফ এ পূঙদোংবমনা সুরমা এফ সি ৰাংজিংবু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৬–৫ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুকশিংদি ও এফ এ পূঙদোংবমনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্দুনা সুরমা এফ সি ৰাংজিংবু লাকশিন্দুনা গোল হাঙনবগীদমক এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মেটচকী মিনট ১৮ চৎপদা ও এফ এগী জর্সি ৩ বিজুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা সুরমা এফ সিনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্তুনা ও এফ এবু চপ চানা শীংন্নরক্তুনা মেটচকী মিনট ৪৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ জোন্সননা গোল হন্দোক্লগা মেটচ লোয়বা ফাওবা ১–১ দা মান্না লৈবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক্ ফোম পেনালটি মাক কাওনবদা ও এফ এ না গোল ৫ অদুগা সুরমা এফ সিনা গোল ৪ খক ওন্থোকপা ঙমদুনা মেটচ অসি ও এফ এনা ৬–৫ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শম্ফাবী এফ সি সাপম অমদি লনচেনবী এফ সি তবুংখোকনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা শম্ফাবী এফ সিনা লনচেনবী এফ সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্নরবসু ঙম্নাদবদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা শম্ফাবী এফ সিনা মেটচ অসি লাকশিন্না শান্দুনা মায়োল অমদা পুরক্তুনা লনচেনবীগী মায়কৈদা এটেক হেঞ্জিলকখি।

মদুগী মমল য়াম্লবা মহৈ অদু ফংদুনা শম্ফাবীগী জর্সি নম্বর ১৩ প্রেমজিৎনা মিনট ২৯ দা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবা মতুংগী মিনট ৫ কান্নরগা মিনট ৩৪ দা জর্সি নম্বর ৮ সুরজনা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি। মেটচ অসিদা লনচেনবী এফ সিগী জর্সি নম্বর ৩ অমিৎতা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# ইপূথৌ নোংশাবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল,জুন ৫ (এস এন এস) ঃ
করাম অৱাং লৈকাই য়ং ক্লব করামনা শীন্দুনা করাম কাঙজেবুং লম্পাক্তা মমাঙ থাগী ১৯ দগী টিম ২০ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ২শুবা ষ্টেট লেভেল ইপূথৌ নোংশাবা সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মেন হার্টনা সনফ্লৱার এফ সিবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদনা পান্থোইবী এফ সিনা হেমন্তা এফ সিবু গোল ৬–২ দা মায়থিবা পীখি। পান্থোইবী এফ সিগী গোলশিং অদু ইনাওনা গোল ৩,রোসননা গোল ২ অদুগা কৃষ্ণন্দনা গোল ১ চনখি।

হেমন্তা এফ সিগী গোল অদুনা বিদিয়াচন্দ্র অমদি চীঙহিনা চনখি।

৩শুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদনা ঐচ এন এস সি হাওরৈবীনা অপূনবা এফ সিবু গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি।

# ৱুমেন্স ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্ট শান্নবা হৌখ্রে



ইম্ফাল,জুন ৫ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর ভেটরান হোক্কী এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী নুপীগী টিম ৩ না শরুক য়াদুনা অনীশুবা ফঞ্জৌবম সুশিলকুমার সিংহ নীংশিং ৱুমেন্স ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৯ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টিদিয়মদা শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষিয়া পি বিমোলা দেবী,মণিপুর ভেটরান হোক্কী এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে রান্ধোনী, ভেটরান হোক্কী প্লেয়ার এন মোমোন, হোক্কী মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ জমুনা, ফোমর নেসনেল হোক্কী প্লেয়র টি ঐচ বিলাসিনি অমদি ৱুমেন্স ভলেন্টরি ওর্গানাইজেসনগী সেক্রেটরি সি ঐচ শরমিলানা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচতা এন সি এম এম সাবল লৈকাই অমদি এল ৰাই টি এন এম মন্ত্রিপুখ্রিনা শান্নখিবা মেটচতা এন সি এম এমনা এল ৰাই টি এন এম বু পেনালটিদা গোল ৬–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এন সি এম এমগী অপীবা মিনটতা চনখিবা গোলশিং অদু এন পুনমনা মিনট ২০ অদুগা সুসমানা মিনট ৩৯ দা চনখি।

মায়থিরবা এল ৰাই টি এন এমগী অপীবা মিনটতা চনখিবা গোলশিং অদুনা সি ঐচ সুনিবলানা মিনট ১৫ অমদি পি টিলোতমনা মিনট ২৭ দা চনখি।

সাবল লৈকাইগী স্পোটহিতা চনখিবা গোলশিং অদুনা পুনম,সুসমা,নন্দানি অমদি বিন্দুনা চনখি। মন্ত্রিপুখ্রিগী স্পোটহিতা চনখিবা গোলশিং অদুনা সুনিবলা অমদি টিলোতমনা চনখি।

প্লেয়র ওফ দি মেটচনা সাবল লৈকাইগী জর্সি নম্বর ৬ এল দেবীকরানিনা তাখি।

# ক্লষ্টর লেভেল চিলড্রেন ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে



ইম্ফাল, জুন ৫ (এস এন এস) ঃ
ৰাল্ড ভিজন ইন্দিয়া ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ঙসিদগী লম্বোইখোঙনাংখোং ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা য়ুনাইটেদ ফ্রেন্দস লাইব্রেরি ক্লবকী প্লে গ্রাউন্দা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা ক্লষ্টর লেভেল চিলড্রেন ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ( অন্দর ১২–১৬ ) শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাড নম্বর ২৭গী কো–ওপরেটর হেরোজিৎ ঙানঙম সিংহনা চীফ গেষ্ট, ৱাড নম্বর ৫গী কো–ওপরেটর ঐচ বোবি শর্ম্মানা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি য়ুনাইটেদ ফ্রেন্দস লাইব্রেরি ক্লব লম্বোইখোঙনাংখোংগী প্রসিদেন্ট চোঙথাম খোগেন সিংহনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা নাওরিয়া পখঙলাকপা ক্লষ্টর টিম অমদি সগোলবন্দ ক্লষ্টর টিমনা শান্নখিবা মেটচতা নাওরিয়া পাখঙলাকপনা সগোলবন্দবু গোল ১০–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা নাওরিয়া পাখঙলাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ চিংলেম্বানা মিনট ১৫,২৬,৫৩ দা গোল ৩,জর্সি নম্বর ১৭ অর্ম্মজিৎনা মিনট ৩৩,৩৫,৬৯ দা গোল ৩,জর্সি নম্বর ৩ এস নাওবনা মিনট ১৯,৪৩ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ২ দুনা জর্সি নম্বর ২০ সনাজাউবনা মিনট ৬৩ অমদি জর্সি নম্বর ১২ ভেনসনা মিনট ৬৬ চৎপদা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা উরিপোক ক্লষ্টর টিমনা থাংমৈবন্দ ক্লষ্টর টিমবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি মায় পাক্লবা উরিপোক ক্লষ্টর টিমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ আই রোকেট সিংহনা মিনট ৪৫ দা গোল অমা অদুগা অতোপ্পা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১১ এম মঙলেম্বানা মিনট ৫৩ অমদি ৬২ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা থাংমৈবন্দ ক্লষ্টরগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ নামদোন পানমৈনা মিনট ২৯ অমদি ৩৯ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা উরিপোক ক্লষ্টর টিমগী জর্সি নম্বর ৭ আই রোকেট অমদি থাংমৈবন্দ ক্লষ্টর টিমগী জর্সি নম্বর ৮ ফ্রান্সিসতা মেটচ কনদক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্টকী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৮ দা উরিপোক অমদি নাওরিয়া পাখঙলাকপানা অহানবা মেটচ অদুগা সগোলবন্দ অমদি থাংমৈবন্দনা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# হুম্ফুমঙাশুবা জুনিয়র নেসনেল বোল বেদমিতন চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে



ইম্ফাল,জুন ৫ (এস এন এস) ঃ
বোল বেদমিতন ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা বোল বেদমিতন এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পলেক্সতা ৬৫ শুবা জুনিয়র নেসনেল বোল বেদমিতন চেম্পিয়ন্সিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লস শান্নবা হৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিপ এসেমব্লি মণিপুরগী স্পীকর য়ুম্নাম খেমচান্দ, বোল বেদমিতন ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী হানাগী জোইন্ট সেক্রেটরী ডা.লাইফ্রাকপম কুমার সিংহ, বোল বেদমিতন ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা.সুরেস বোনগেট,ভাইস প্রসিদেন্ট পি রামকৃষ্ণনা অমদি জেনরেল সেক্রেটরি ৰাই রজারাওনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেট ২৬ দগী লাকপা শান্নরোই ৫৫০ অমদি ওফিসিয়েল ১০০ না শরুক য়ারিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসি ওইনাম দেম্বোই সিংহ মণিপুরগী টিম কেম্পেননা ওট টেক্কিং লৌখি অদুগা নেসনেল প্লেয়র এম লেম্বীসনা ফ্লেগ বিয়রর ওইখি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীমচাগী মেটচশিংদা মণিপুরনা ত্রিপুরাবু ৩৫–১০,৩৫–২৩। পাঞ্জবনা গুজরাটপু ৩৫–২০, ৩৫–২৬।

দিল্লিনা মৈধাপ্রদেসপু ৩৫–৭, ৩৫–৬ দা মায়থিবা পীখি।

নুপামচাগী শান্নখিবা মেটচশিংদনা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা পঞ্জাবপু ৩৫–৩১,৩৫–২৮ ।

এন সি আরনা গুজরাটপু ৩৫–২১,২৯–৩৫,৩৫–৩২ অমদি ত্রিপুরানা মৈধাপ্রদেসপু ৩৫–৩২,৩৫–৯ দা মায়থিবা পীখি।

# চেস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ৫ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর চেস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জুভেনাইল ক্লব তেরা সাপম অলকাই অমদি রাম নরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ট্রষ্ট অনীনা পুন্না শীন্দুনা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল চেস টুর্নামেন্ট ২০১৯ থা অসিগী ২৩ দগী পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পাঙথোকদৌরিবা চেস টুর্নামেন্ট অসি ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ২০ গা লোয়ননা ট্রোফি,রন্নস অপতা লুপা লিশিং ১৫ গা লেয়ননা ট্রোফি,অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা ট্রোফি,মরিশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৭,মঙাশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৫,৬শুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৩,৭শুবা পোজিসন,৮শুবা পোজিসন,৯শুবা পোজিসন,১০শুবা পোজিসন,১১ শুবা পোজিসন অমদি ১২ শুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং অমমম অদুগা বেষ্ট দিসিপ্লিনদনা লুপা লিশিং ২গগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফোম মমলনা লুপা ২০০০ নি।

ফোম ফঙফমনা দি জুভেনাইল ক্লব তেরা সাপম লৈরক নত্রগা মণিপুর চেস ক্লবতগী লৌবিবা য়াগনি হায়রি।


APOLLO TUTORIAL CENTRE

*Admission Open For*

**Foundation Course**
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
Phy, Chem, Bio, Maths, Eng, C.Sc, Home Sc.
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Facilities : Free Text Book Sets
Special Concession:
Meritorious / ST/ SC / Govt. School / Hosteller/ MOBC -Students

**Apollo - NEET (UG)**
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Special Facilities:
- Class- X & XII Toppers
- Meritorious Students
- SC/SC/MOBC/OBC Students
- NEET-2018 & 2019 Aspirants
- Students may admit only one Subject also

Hostel Fee- Rs 4000/- only ( Boys & Girls)
Office Timing: 7:00 am - 7:00 pm
8258013846

| Form Issue | Class Start | Class Timing | Form Issue | Last Date | Class Start |
|---|---|---|---|---|---|
| 05/05/2019 | 06/06/2019 | 4:30pm- 7:30pm | 13th May 2019 | 25th June 2019 | 1st Week of July |

Please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal - 795001



IPS,CANCHIPUR
IPS SCIENCE & ARTS GROUP
ADMISSION OPENS FOR 2019
FOR CLASS XI
BOTH SCHOOL AND HOSTEL
RECOGNISED BY THE GOVT. OF MANIPUR AND AFFILIATED TO COHSEM
FEATURES :
1. TOPPERS IN HSLCE, 2019 - SCHOLARSHIP OF 2 LAKHS.
2. 90% AND ABOVE IN HSLCE, 2019 - RS. 1 LAKH.
3. 80-89% IN HSLCE, 2019 - RS. 60,000/-
4. 70-79% IN HSLCE, 2019 - RS. 30,000/-
5. 60-69% IN HSLCE, 2019 - RS. 20,000/-
6. 59% & BELOW IN HSLCE, 2019 - SPECIAL PACKAGES



Note : (i) Date of counselling, students' interview and parents' interaction will be announced later on. (ii). Limited seats and limited time.
Enjoy the Scholarship and Facilities under IPSCT, Canchipur.
Scholarships will be given on Selection Basis and Family Conditions.
FREE COACHING FOR CIVIL SERVICES EXAM. FOR APPEARING IAS,IPS
OFFICE OF THE SCHOOL WILL BE OPENED ON SUNDAYS & HOLIDAYS ALSO



CHAOKHAT KHONGTHANG

LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.
Last Date of form Submission 26th June,2019
অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজে
Pliz Contact: 7005162621
SL/B/M/Packd.
Consolation Prizes
Mobile Handset
Telivision
Gas Frame
Mixer Grinder
Tick your choice


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com